শেল খোমগৎপীখিগনু

ইম্ফাল, জুন ১৩ (ঐচ এন এস) : হৌজিক-হৌজিকমক কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা লোকদাউন তৌদুনা লৈরিঙৈ মনুং অসিদা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা লংদুম খুনগী ওইনা মাইক্রো ফাইনান্স তৌরিবা মীওইশিংনা লোকদাউন তৌরিঙৈ মতমসিদা হাপ্তাগী অমদি থাগী ওইনা শেল খোমগৎপা লাকপীদনবা হায়না য়ুথ ব্রাইটর ক্লব, লংদুম অমসুং য়ু ৱাই ও এল, লংদুম ক্লব অনীগী মায়কৈদগী মরী লৈনবশিংদা খঙহল্লক্লি।

কন্টেনমেন্ট জোন...

লামায় ১গী মখা... কম্যুনিটি ক্বারন্টিন সেন্টর অদুদা লৈবা ইনমেটশিংগী মনুংদা ওইনাম অৱাং লৈকাইদগী মীওই অমা, ইরেংবম মখা মনিং লৈকাইদগী অমা, ক্বাসিফাই মমাং লৈকাইদগী অমা অমসুং ফুবালা অৱাং মমাং লৈকাইদগী মীওই অমা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরকপা থেংনখিবনি। দি মণিপুর ইপিদেমিক দিজিজেস, কোভিদ-১৯ রেগ্যুলেসন ২০২০গী মখাদা নম্বোলগী এস কে ৱিমেন্স কোলেজবু কন্টেনমেন্ট জোন ওইনা লাউথোকপগা লোয়ননা কনাগুম্বনা মথক্তা পনখ্রিবা অথিংবশিং অসিগী মায়োক্তা থবক তৌরক্লবদি ইন্দিয়ন পেনাল কোদ ১৮৬০গী সেক্সন ১৮৮গী মখাদা চৈরাক ফংনিংঙাই ওই হায়রি।

কোভিদ-১৯না...

লামায় ১গী মখা... প্রোটোকোলনা এজিথ্রোমাইসিন হায়রিবা এন্টি বাইয়টিক অসিসু কোভিদ-১৯ পেসেন্টশিংদা পীজ রোইদবনি হায়রি। হান্নদি অনাবা মীওইশিংদা হাইদ্রোক্সি ক্লোরোক্বিন অমসুং এজিথ্রোমাইসিন পুন্না পীজগদবনি হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

চৈরকসিদা, কোভিদ-১৯গী অপূনবা কেস নোংম-নোংমগী মশিং হেনগৎলকপগা লোয়ননা ইন্দিয়াদা হৌজিক খুদোংথিনিংঙাই ওইরবা লায়না-লাইচৎ অসিগী কেস মশিং ৩,১৭,৬৬৮ শুরে। এক্টিভ কেসতা ১,৪৯,৩৪৩ নি অমসুং নারুবদগী ফগৎলকপা মীশিংনা ১,৫৯,৫৯৭ নি। শিখিবা মীশিং ৯,১৭১ শুরে। মালেমগী ওইনা অপূনবা কেস ৭৭,৯৯,২৪৭ য়ৌরে। শিখিবা মীশিংনা ৪,২৯,৯১২ য়ৌরে। নারুবদগী ফগৎলকপা মীশিংনা ৩৯,৯৩,৫৯২ নি।

Important Phone Nos.

RIMS	2414478
J.N. Hospital	2450385
DG Control	2450100
FIRE SERVICE	
Imphal	101
Moirang	8415925197
Churachandpur	8415925191
Thoubal	8415925203
Kakching	8415925194
Jiribam	8415925193
Mayang Imphal	8415925196
Bishnupur	8415925190
Moreh	8415925198
Kangpokpi	8415925195
Ukhrul	8415925205
Senapati	8415925199
Chandel	8415925192
Singhat	8415925201
Sugnu	8415925202
Yairipok	8415925206

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	85.354843
US Dollar	75.815232
British Pound	95.106215
Australian Dollar	52.070390
Chinese Yuan Renminbi	10.705026
Japanese Yen	0.706213
Malaysian Ringgit	17.752464
Singapore Dollar	54.441588
South Korean Won	0.062863
Saudi Arabian Riyal	20.217395
Thai Baht	2.439483
Myanmar Kyat	0.05420
Bangladesh Taka	0.89277

Spot Gold (24K) Rates/10gm

Chennai	–	Rs	46924.00
Mumbai	–	Rs	47354.00
Delhi	–	Rs	47260.00
Kolkata	–	Rs	47187.00

GAS NEWS

M/s LAMBODARA INDANE
Booking Upto : 01/05/2020
Stk : 306
Home Delivery only
For registration SMS: IOC<space> 03852427434< space>consumer No. Sent to 9089024365
For booking SMS: IOC to 9089024365
Contact : +91 7005382686 for enquiry.
From 8.00am to 11:30am

M/S R & H IRILBUNG
(Only Home Dellivery)
Booking Upto: 14/03/2020
Valid From : 21/02/2020
Stock : 612
Contact Nos.# 9862640159/9366013547/8132036940
Time : 9.00am to 12.00noon

MAIBIA GAS MOIRANG
Booking Upto: 11/04/2020
Valid From : 08/04/2020
STOCK : 612
(HOME DELIVERY SERVICE)
CONTACT NOS.
1.DILIP-9612883295 (MOIRANG A/C), 2.AJAY - 7005667570 (THANGA A/C), 3.ROJEN : 8787381746 cv (KUMBI A/C)
BOOKING CONTACT NO. # 7085972248
TIMING : 8.00AM TO 12.00 NOON

M/s KHUMBONG INDANE
Booking Upto : 08/05/2020
Valid From : :07/05/2020
Home delivery contact Nos. # 7005771527/9774679422
Time 7.30am to 10.00am

JRONGMEI SK INDANE WANGOI
Booking Upto : 28/4/2020
Valid From : 25/4/2020
Stk : 306
Timing : 6.00am to 9.00am
Home Delivery (Contact Nos. # 6909963855/8119073029)

‘থৌবাল বরাজদগী ঈশিং থাবা হৌরে, লৌমীশিং লৌবুক্তা লৈবীরো’

ইম্ফাল, জুন ১৩ (ঐচ এন এস) : মফৌ দাম অমদি নোংপোক কৈথেলমানবীদা লৈবা থৌবাল বরাজদগী ঈশিং থানবা হোৎনরকখিবা অদু ঙসি অয়ুক্তগী থাবা হৌরে। লৌমীশিং লৌবুক্তা লৈবীরো হায়না বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী হান্নগী ভাইস প্রসিদেন্ট থোকচোম জাদুমনিনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাটর রিছোর্স দিপার্টমেন্টকী ষ্টাফশিংগা লোয়ননা নোংপোক কৈথেলমানবী দামদা চৎতুনা ঈশিং থারবা মতুংদা জাদুমনিনা ফোঙদোকখিবদা, মফৌ দামদগী ঈশিং থারক্লগা বরাজগী সট্টরশিং থাদদুনা ঈশিংগী লেভেল ৮০০ এম য়ৌরবা মতুংদা সট্টর চিংখৎতুনা ঈশিং থাগদবনি। থেংখাং কয়াদা ঈশিং থানবা হোৎনবদা লেভেল য়ৌদবদগী থাবা ঙমদনা লাকপনি। ঙসিদি মায় পাক্লা ঈশিং থাবা ঙল্লে। লৌমীশিংগী অৱাবা খরমখৈদি কোক্লগনি। কোভিদ-১৯গী ৱানরবা মতম অসিদা লৌমী মীয়াম ৱাবা য়াদে হায়বা ৱাখল্লোন্দা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেনগী মীৎয়েং মখাদা ঈশিং থানবা হোৎনরকপনি। সী এমনা খাঙবোক এ সী অমদি থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী তোঙান-তোঙানবা লৌমীশিংগীদমক খনবা অসিগীদমক থাগৎলি। ঈশিং লৈতবগী অৱাবা মায়োক্লরিবা লৌমীশিংগীদমক খন্দুনা সী এমনা ৱাটর রিছোর্স দিপার্টমেন্টকী চীফ এঞ্জিনিয়র রোবিন্দ্রোদা ঈশিং থানবা পাউতাক পীদুনা থবক পায়খৎলকপনি হায়নসু মখা তাখি।

খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী পোৎফম ফম্বীশিংদা শেলগী মতেং পীবীয়ু : নুপী মরুপ

ইম্ফাল, জুন ১৩ (ঐচ এন এস) : খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল পোৎফম ফম্বীশিংদা শেলগী মতেং পীবীয়ু হায়না ওল মণিপুর নুপী মরুপকী সেক্রেটরি এল সুমতিবালানা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, ইম্ফাল ময়োলদা লৈরিবা নুপী খক্তগী ওইবা কৈথেল মরিগী পোৎফম ফম্লিবশিংগী মনুংদা চাদা ৭০ রোমদি নোংমগী অফংবা শেলনা ইমুং-মনুং পুরিবনি। ইমুংগী তঙাইফদবা কয়া মেনখৎনবা হোৎনবগী মথক্তা মচা-মশুশিং মহৈ-মশিন তমহন্নবগী পোৎলুম পুরিবনি। মণিপুরগী গভর্ণরনসু খঙবীরমগনি। কোভিদ-১৯ থেংননবা চহীসিগী মার্চ ২৫দগী লোকদাউন চৎনখিবা অমদি মতম কক্তবা কর্ফিয়ু থমখিবদগী নুমীৎ ৮২ রোম শেন্দাল লম্বী মাঙখ্রবা পোৎফম ফম্বীশিংনা হায়নিংঙাই লৈতনা অৱাবশিং মায়োক্লরি। লৈঙাক অসিনা খঙজিন্নদনা লৈথোক্লিবসি অঙকপা পোকই। মচিন্দনা ইমাশিংগী য়াইফনবা লৈঙাক্লা হোৎনরি হায়না চীফ মিনিষ্টরনা থল্লি।

ইন্টরনেসনল মাদর দে নুমীৎতসু ফোঙদোকখ্রগা চিরবা তানফম অসিদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরবশিং খন্দোক্লগা অতৈ ষ্টেটশিংদগী হল্লকপা মণিপুরীশিং থল্লিবা ইনষ্টিট্যুসনল ক্বারন্টিন সেন্টরশিং য়াওনা কম্যুনিটি ক্বারন্টিন সেন্টর কয়াগী ৱাৎলিবা ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং মেনখৎনবা হোৎনবা চঙই। নুপী খক্তগী ওইবা মনা-মশিং, হৈ-রা অমসুং ঙানচিংবা য়াওনা পোৎলম কয়া য়োল্লিবা ইমা কৈথেলদা চাউরবা শেনফম কায়থোক্লগা রিপ্যারিং তৌবা থেংনরিবসি লৈঙাক অসি মীচম মীয়ামগী য়াইফনবা খনবা নৎত্রগা কন্ট্রেক্টরশিংগী শেন্দোং তালহন্নবা খনবা লৈঙাক্লা হায়বা ৱাফম হংদবা য়ারক্ত্রে। লোকদাউন মখা চথরবসু মীয়ামগী অৱাবা য়েংলগা রোটেসন ওইনা থাঙ্গাল অমসুং পাউনা কৈথেলগী দুকানশিং হাংহল্লিবসি থাগৎলি হায়রি।

‘জোব কার্দকী শেনফম ফংদ্রে’

ইম্ফাল, জুন ১৩ (ঐচ এন এস) : লম্লাই এ সীগী নেঙ্গ্রেন-চিংনুংকোক গ্রাম পঞ্চায়টকী মনুংচন্না লৈবা নোংদম ৱার্দ ৭গী জোব কার্দকী শেনফম বেঙ্কতগী মেম্বরনা মমাং থাদা লৌথোকখ্রবসু মীয়ামদা ঙসি ফাওবা জোব কার্দকী শেনফম য়েন্থোকপীদ্রে। কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা লোকদাউন তৌখিবদগী ৱারবা মীয়াম্না থেংনরিবা অৱাবশিং অসিদা খজিক মতেং ওইনবা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংনা জোব কার্দকী শেনফম ফংহন্নবা হোৎনবিয়ু হায়না নোংদম ৱার্দ-৭গী খুঞ্জাশিংনা ফোঙদোরক্লি।

খুঙ্গং অসিগী জোব কার্দকী থবক শুবা য়াওবি নিংথৌজম ইবেচোনা হায়, হৌখিবা মে থাদা মেম্বরগা লোয়ননা মশামক য়াওনা বেঙ্কতগী জোব কার্দকী শেনফম লৌথোকখি। বেঙ্কতগী শেনফম লৌথোক্লবা মতুং মেম্বর মশামক্লা জোব কার্দকী শেনফম অসি পূন্না য়েনগদবনি হায়না মহাক্লা পুদুনা চৎখিবনি। অদুবু ঙসি ফাওবদা জোব কার্দকী শেনফম অদু য়েন্থোকপীদনা লৈরি হায়খি।

হীদাম সিলা কৌবি খুঙ্গং অসিগী নুপী অমনা ফোঙদোকখিবদা লোকদাউননা মরম ওইদুনা থবক শুবা নোম্বা য়াদনা ৱানা লৈরিবা মতম অসিদা জোব কার্দকী থবক শুখিবগী শেনফম অদু ফংলবদি খরদং ওইরবসু মতেং ওইগদবনি। হীরম অসিগী মতাংদা লমদম অসিগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন অমসুং মিনিষ্টর টি ঐচ বিশ্বজিৎ অমদি মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংনা য়েংশিনবিদুনা উপাই লৈত্রবা মীয়ামগী অৱাবসি কোক্লবা হোৎনবিয়ু হায়নসু ফোঙদোরকখি।

মীতম হাংদোক্কদৌরি

ইম্ফাল, জুন ১৩ (ঐচ এন এস) : চে গুইভেরাগী ৯২শুবা মপোক নুমীৎতা জননেতা ইরাবত পিপলস ম্যুজিয়মগী মশাইকোল শান্তিপুর সঞ্জেনবমদা সী পি আই মণিপুরগী ষ্টেট সেক্রেটরি সোটিনকুমারনা মীতম অমা হয়েং হাংদোক্লগনি হায়না কাউন্সীল অসিগী এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরি এম জয়কুমারনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি। মীতম হাংদোকপগী থৌরম কোভিদ-১৯না মরম ওইরগ ফিজিকেল দিষ্টেন্সিং ঙাক্কদবা লৈবনা ভিদিও ক্লিপিংগী খুথাংদা সোটিনকুমারনা ৱা ঙাংগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

লৈকোলনা শীন্দুনা ৱারীমচা পাবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৩ (ঐচ এন এস) : কুমারী থোইবীগী ১০০শুবা মপোক কুমওনগা মরী লৈননা ৱারীমচা পাবগী থৌরম অমা ঙসি ক্বাকৈথেল মোইরাং পুরেলদা লৈবা লৈকোলগী ওফিসতা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা প্রিসাইদ তৌখিবা লৈকোলগী প্রসিদেন্ট ক্ষেত্রিময়ুম সুবধনিনা হায়খি, অইবী থোইবী, এম কে বিনোদিনি অমসুং খাইদেম প্রমোদিনিগী মপোক থৌরম পাঙথোকপগী থৌদাং লৌদুনা লৈকোলনা ঙসি ফাওবা থৌরম পাঙথোক্লি। অইবী থোইবীগী ১০০শুবা থৌরম অসি চহী চুপ্পা পাঙথোক্কদবা অদু কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা পাঙথোকপা ঙমখিদে। থা খুদিংগী অনীশুবা থাংজদা ৱারীমচা পাথোকপগী থৌরম পাঙথোক্কনি। ৱারীমচাশিং অসি মীতৈ ময়েক অমসুং বেঙ্গোলি ময়েক্তা লাইরিক ওইনা ফোঙগনি হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি।

পেনেলিষ্ট ওইখিবা প্রোফেসর নহাকপম অরুনানা হায়খি, ৱারীমচা পাথোক্লিবশিং অসি লোইনা ফজরে হায়দুনা লাইরিক ফোঙগদবা নত্তে। লৌখৎপা য়াবশিং লৌখৎকনি হায়খি।

থৌরম অসিদা মণিপুরগী শরুক ইরবা অইবী মঙানা ৱারী মচা পাথোকখি। পেনেলিষ্ট ওইনা প্রোফেসর নহাকপম অরুনা অমদি দি এম য়ুনিভর্সিটিগী প্রিন্সিপাল সিলারমনিনা শরুক য়াখি। ৱারীমচা পাথোকখিবশিংদি ক্ষেত্রিময়ুম সুবধনি, য়েংখোম রোমা, হাওবম সৈত্যবতি, থোকচোম বিনাপানি, আর কে হেমাবতি অসিনচিংবনি। পেনেলিষ্ট অনীনা এপ্রুভ তৌরগা লাইরিক ওইনা পুথোক্কনি। পাথোকখিবা ৱারীমচাশিং অসি লাইরিক ওইনা পুথোক্লবা শেম-শারি। থা খুদিংগী পাঙথোক্কদৌরিবা থৌরম অসি লৈকোলগী প্রসিদেন্ট সুবধনিনা স্পোন্সর তৌবনি। কোভিদ-১৯গী কাঙলোন ঙাক্লা পাঙথোকখি হায়রি।

ফোটোজেনিক কন্টেষ্টকী মনা পীখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৩ (ঐচ এন এস) : কোরোনাভাইরসতগী লাপথোকসি, কোভিদ মায়থীবা পীসি হায়বা স্লোগানগা লোয়ননা চহীসিগী মে ২৪দগী ওনলাইনগী খুথাংদা পাঙথোকপা ইপাক ফোটোজেনিক কন্টেষ্ট ২০২০গী এৱার্দ ৱিন্নর ৮দা ঙসি কেস অমদি সাইটেসন খুৎশিন্নখ্রে।

এৱার্দ খুৎশিন্নখিবা অদুগা মরী লৈননা ইপাক ফিল্মগী সেক্রেটরি রাকেশ নাওরেমনা ফোঙদোকখিবদা, কোভিদ-১৯ লাম্হেংনবদা থৌদাং লৌরিবা সী এম অমদি মরী লৈনবশিং ঈকায় খুম্নফম থোকই। ফ্রন্ট লাইনদা লৈরিবা ইচিল-ইনাওশিংনা মীয়ামগীদমক কথোকপগা লোয়ননা হোৎনরিবশিং শীংথানিংঙাইনি।

ইপাক ফোটোজেনিক কন্টেষ্ট অসিদা তোঙান-তোঙানবা দিষ্ট্রিক্ট, ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট, বিষ্ণুপুর, ককচিং অমসুং থৌবালদগী ৱিন্নর ওইখ্রবা মীওই ৮গী ময়ুম-ময়ুমদা চৎতুনা কেস প্রাইজ খুৎশিন্নখিবনি। লোকদাউননা মরম ওইরগা অৱাবা কয়া থেংনরি। ইপাক বেষ্ট ফোটোজেনিক এৱার্দ ২০২০ তাখ্রবা বোনিকা এলাংবমদা ইপাক বেষ্ট পোপ্যুলর পিপল চোইস এৱার্দসু পীখি হায়নসু মহাক্লা মখা তাখি।

শেন্দোয় লৌবীগনু

ইম্ফাল, জুন ১৩ (ঐচ এন এস) : অৱাং লৈকিন্থবী শান্তিপুর স্পোর্টিং ক্লবনা কোনবা খুঙ্গংশিংদা প্রাইভেট বেঙ্কশিং অমদি লন্নাই শেন্দোয় শান্দোক্লিবা মীওইশিংনা থাগী শেন্দোয় লৌবীগনু হায়না শান্তিপুর স্পোর্টিং ক্লবকী প্রসিদেন্টনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, কোভিদ-১৯দগী চেকশিন-থৌরাং লৌখৎপা ওইনা লোকদাউন লৈখিবদগী মীয়ামদা অৱাবা কয়া মায়োক্লরি। লোকদাউন লৈরিঙৈ মনুং অসিগী ওইনদি লন্নাই বেঙ্কশিং অমদি শেল শাল্লিবশিংনা শেন্দোয় লৌবীগনু হায়নসু মখা তারি।

উ-চারা কয়া থাখ্রে, মাস্ক য়েনখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৩ (ঐচ এন এস) : নোংচুপ ইম্ফাল পলেম ইমা অপূনবা লূপ (নিম্পাল)না ৱর্ল্ড ইনভাইরনমেন্ট দেগা মরী লৈননা উ থারকপগী মখা চথুরকপা ওইনা ঙসি ইরমসিফাই অৱাং লৈকায়দা উ-চারা কয়া থাখ্রে। মাস্ক অমদি সেনিটাইজরসু য়েন্থোকখ্রে।

থৌরম অদুদা নিম্পালগী সেক্রেটরি এস শান্তি লৈমনা ফোঙদোকখিবদা, মফম অসিদা উ থাবগী থবক চথবগা লোয়ননা ইরমসিফাই মৈরা পায়বীদা কোভিদ-১৯দগী ঙাকথোক্লবা মাস্ক অমদি সেনিটাইজরনচিংবা পোৎলম য়েন্থোকপনি। মালেম পুম্বদা শনে দারক্লিবা কোভিদ-১৯গী চৈথেং অসিদা ষ্টেট লৈঙাক্কী অখন্নবা থৌশিল অমগী মখাদা মপান্দা লৈরুবা মীওই কয়া লমদম অসিদা হল্লক্লি। হল্লক্লবা মতুংদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা য়াওরকপনা চেকশিন্নিংঙাই ওই। দল্লিয়ু ঐচ ওগী গাইদলাইনশিং ঙাকপা তঙাইফদে। তাইবং মীওইবনা উমং-ৱামং কোকথোক্তুনা মাঙহল্লকপসিনা মহৌশাগী খুৎশেমদা চাউনা অকায়বা পীরি। মীওইবা খুন্নাই মুৎশিল্লকপগী তাঙ্কক লাক্লি হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

কংলাদা লাই খুরুম্বা চঙবগী রাইট পীবীয়ু : এসোসিএসন

ইম্ফাল, জুন ১৩ (ঐচ এন এস) : কংলাদা লাই খুরুম্বা চঙবগী রাইট মপুং ফানা পীবীয়ু হায়না ইন্টরনেসনল মণিপুর মাদরস এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট খুমন লৈমনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অমনা হায়, মীতৈগী অশেংবা লাইফম্লেন ওইরিবা কংলা ইবুধৌ পাখংবগী খুভম ওইরিবা লাইফম ১০৮বু অৱা-অনা, খুদোংথিবা তারগদবা কয়া থৌনিবীয়ু। লোকদাউননা মরম ওইরগা ঙসি ফাওবা থৌনিবগী রাইট ফংদনা লৈরিবসি লৈঙাক্কী চৎন-কাঙলোনগী মখাদা চয়োল অমগী মনুংদা ২/৩ লক নীং-তম্না খুরুমজনবগীদমক পুং ২দা ওইরবসু পীবীয়ু। ইশাগী লাইবু ইশানা নীংজবা অমদি খুরুমজবগী রাইট পীবীয়ু।

কংলাবু হোলি প্লেস ওইনা কুমজা ১৯৮৯গী ওক্তোবর ১৬তা ইন্দিয়াগী অহানবা গভর্ণর জেনরেল রাজা গোপালচারিনা হিষ্টোরিকেল মোন্যুমেন্ট এক্টকী মখাদা প্রোটেক্টেদ সাইট ওইনা লাউথোক্লমখি। অশেংবা লাইফম অমা ওইনা কন্দুনা লাকখি। ইন্দিয়াগী কনষ্টিট্যুসনগী আর্টিকল ২৯(১)গী মতুংইন্না ইশানা ইশাগী লাইফমদা লাই খুরুম্বদা নীংতম্না অয়াবা পীরি। হীরম অসিদা কংলাগী লাইফম ১০৮তা খুরুম্নবা অমদি থৌগল তৌনবা মরী লৈনবশিংনা মীৎয়েং চঙবীয়ু। লাই খুরুম্বা অমদি থৌগল তৌনবগী রাইট ফংহনবীয়ু।

লোকদাউননা মরম ওইরগা কংলাদা লাই খুরুম্বা চঙবদা অথিংবা পীদুনা লাক্লি। হৌজিক্তি মীয়াম্না মপান থোকপদা খরমখৈ চৎন-কাঙলোন অমগী মখাদা কোমথোকপগুম কংলাদা লাই খুরুম্বা চৎপদসু চৎন-কাঙলোন অমগী মখাদা অয়াবা পীবীয়ু। অশেংবা লাইফম চঙদুনা থৌনিবা অমদি থৌগল তৌনবগী পুং ২/৩ দং ওইরবসু পীবীয়ু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

ওইনাম লাইবী তরাম্না ওকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৩ (ঐচ এন এস) : নোংপোক লৈঙাক অপূনবা নুপী লূপ অমদি খুরাই কোন্সম লৈকায় অপূনবা নুপী লূপ অনীনা শীন্দুনা পাঙ্গৈদা লৈবী ওটোরিস্কো থৌবী ওইনাম লাইবীবু তরাম্না ওকপগী থৌরম অমা খুরাই কোন্সম লৈকায় কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

নোংপোক লৈঙাক অপূনবা নুপী লূপকী সেক্রেটরিনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মালেম শিনবা থুংনা শন্দোরক্লিবা কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা লম্বী চৎথোক-চৎশিন খুদোংচাদবা লৈরি। মহাক্লা কোভিদ-১৯দগী ফরক্লবী নুপী অমবু কামজোং তান্না থিনবীরম্বা, মহাক্কী মথৌনা অদু ঈকায় খুম্নবা উৎতুনা তরাম্না ওকপনি। লমদমসিদা লৈরিবা নুপীশিংনা ইমুং-মনুং পুনবা হোৎনবা অমদি ইচা-ইশু কয়াবু অফবা লম্বীদা চৎনবা হোৎনবা অমসুং ময়াই কাবা চীঙ্গাক থিংনবা হোৎনবদা থৌদাং কয়া লৌদুনা লাক্লি। লাইবী নুপীলক্তগী থোইদোক হেন্দোক্লা মীয়াম্না শকখঙনরবা অমদি নুপা-নুপী হায়বগী শিনফম থিদনা শুবা নোম্বা কনবা নুপী অমনি। শুবা নোম্বা কনবগী শেন্মীৎলোন ফনবা হোৎনসি হায়নসু মখা তারি।

‘লুংকানসুকনা, তুইসামোল ঈশিং চাইবী শেমগৎপীয়ু’

ইম্ফাল, জুন ১৩ (ঐচ এন এস) : তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না আইমোল ফুরুপনা খুন্দারিবা মফমদা লৈরিবা লুংকানসুকনা অমদি তুইসামোল ৱাটরফোল অসি লৈঙাক্লা লম কোয়বশিংগী মীৎয়েংফম ওইনা শেমগৎপীয়ু হায়না আইমোল ত্রাইব য়ুনিয়ন মণিপুরগী প্রসিদেন্ট সাইলাও মুনথুইরেংনা ফোঙদোকখ্রে।

আইমোল ত্রাইব য়ুনিয়ন মণিপুর, আইমোল ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন মণিপুর অমদি আইমোল নুংমৈৱারনা খুৎশম্নদুনা পাউমীশিংগা লোয়ননা ঈশিং চাইবী অনী অসি য়েংশিন-খোঙচৎ চৎখি। য়েংশিন-খোঙচৎ অদুদা সাইলাওনা ফোঙদোকখিবদা, পল্লেল কৈথেলদগী খা নোংপোক্তা কিলোমিটর ১৬ রোম চৎলগা নুংকানসুকনা অমদি তুইসামোল ঈশিং চাইবী অনী লৈ। মতম কয়াগী মমাঙদগী আইমোল কাঙলুপনা খুন্দারিবা মফম অসিদা মহৌশাগী ফজবা কয়া লৈরম্মী। তুইসামোল তুরেলদা ঈতিনফম ওইরিবা নুংকানসুকনা অমদি তুইসামোল হায়না খঙনবা ঈশিং চাইবী অনী অসিসু অমনি।

ঈশিং চাইবী অনীমক য়াম্না লাপ্পদবনা মীয়াম্না য়েংবদা হেন্না পূক্লিং চিংশিনফম ওইগনি। মতম অমদদি ঈশিং য়াম্না কন্না তারকপনা তুইসাওরোক তুরেলগী ঈশিং ঈমায় মবুক থন্না লৈরম্মী। ঈশিং চাইবী অনী অসিদগী লাকপা ঈশিংনা সুইসারোক্তা তারবা তুংদা আইমোল এরিয়াদা লৌপরি ৪০০ ঈশিং পীদুনা লৌউ-শিংউ তৌবদা মতেং ওইরি। ঈশিং চাইবী অনী অসিগী মনুংদা তুইসামোল অসি ফিট ৬০দগী ৭০ রোমগী চাংদা ৱাংই। ঈশিং চাইবী অসিগী হৌরকফমদা উ-ৱা মরাং কায়না হৌদবনা নোংজু থাগী মতমদা নৎত্রবদি ঈশিং ফজবসি উবা ফংদে। নুংসানসুকনা হায়রিবা ঈশিং চাইবী অনী অসিদি ফিট ৫০ রোম ৱাংনা ঈশিং চাইথরকপনি। চৎথোক-চৎশিন তৌবদা খুদোংচাদ্রবসু মতম পুম্বদা ঈশিং চাইথদুনা লৈ হায়খি। খোঙচৎ অদুদা অসুমগী এসেমব্লী স্পিকর থাংচাসু শরুক য়াখি।

দিলিমিটেসন য়ারোই

ইম্ফাল, জুন ১৩ (ঐচ এন এস) : কুমজা ২০০১গী সেন্সসতা য়ুম্ফম ওইরগা দিলিমিটেসন তৌগনি হায়রিবসি য়ারোই হায়না থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সীল সী পি আইনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, কুমজা ২০২১গী মীকোক থিবদা য়ুম্ফম ওইরগা পাঙথোকপনা অচুম্বা খোঙথাং ওইগনি। পোলিটিকেল পার্টিশিংগী মীহুৎশিং কৌদুনা খন্নবা মরুওই। কুমজা ২০০১গী অশোয়বা সেন্সসতা য়ুম্ফম ওইরগা দিলিমিটেসন চথবা অরানবা খোঙথাং ওইগনি। সী এস ওশিং অমদি পোলিটিকেল পার্টিশিং খন্নহৌবা চুমগনি হায়নসু মখা তারি।

লমখুনু ২১ কল্লবা মতুংদা থাদোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৩ (ঐচ এন এস) : সোরা মনিং লৌকোলদগী ফাগৎলম্বা লমখুনু ২১ ককচিং রেঞ্জগী ষ্টাফশিং অমদি ৱাইল্ডলাইফ ৱার্দেন দল্লিয়ু রমাচন্দ্রনা কলহৌরবা মতুংদা থাদোকখ্রে।

লমখুনু ২১ থাদোকখিবা অদুগা মরী লৈননা রেঞ্জ ফোরেষ্ট ওফিসর এন মুনালনা ফোঙদোকখিবদা, লমখুনু অসি মতম অমদা মণিপুরদা মরাং কায়না উরম্মী। মীওইবনা অতৎ-অখম লৈতনা হাৎতোক-পীবদগী ঙসিদি অতাঙবা মখলগী উচেক ওইখিগদৌরে। মহৌশাগী খল ঙাক্তুনা থম্বদা উচেকশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌরি। উচেক অমনা নোংমদা মশাগী অরূম্বগী তংখায় ফাওবা তীন-কাংশিং চাবা ঙম্মী। ঙসি কল্লিবা লমখুনু অসি উচেক অমনা গ্রাম ১২৫ রোম লুম্মী। লমখুনু অমনা অপীকপা তীন-কাং গ্রাম ৬০ রোম নোংমদা চাই। গ্রাম ৬০গী তীন অসি য়ামদ্রবদা তীন ১৫০০ দগী ২০০০ ফাওবা ওইরমগনি। ঙসি থাদোকখিবা লমখুনু ২১ অসিনা তীন-কাং ক্রোর কয়া চাথোক্তুনা মালেমবু ইকোলোজিকেল বেলেন্স থম্বদা অচৌবা মতেং পাংগদৌরিবনি। উচেক মখল কয়া হাৎতোকপীবসি লাইবক থীবনি। এক্টকী মতুংইন্না লম্লক্কী শা-উচেক ফাবশিং চৈরাক পীবা য়াই হায়খি।

অশানমল লৌবীগনু

ইম্ফাল, জুন ১৩ (ঐচ এন এস) : লোকদাউন চথরিঙৈ মনুং অসিদা অৱাবা য়েংলগা লন্নাই বেঙ্কশিংনা শেন্দোয় লৌবা, দুকান অমদি য়ুমগী অশানমলনচিংবা লৌবগী থবক তৌবীগনু হায়না নোংমৈবুং ৱিমেন্স দিভলপমেন্ট মৈরা পায়বী এসোসিএসনগী সেক্রেটরিনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, লোকদাউন লৈরিঙৈ মনুংশিংগী ওইনদি শেন্দোয় অমসুং অশানমল লৌবগী থবক অসি লেপ্পীয়ু। করিগুম্বা লৌরম্বা থোক্লবদি মীয়ামগা খুৎশম্নরগা য়েংশিনবা হৌরগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

মণিপুরগী ইনভাইরনমেন্ট কন্নবা...

লামায় ১গী মখা... কোর্টনা কেস অসি লৌখৎলকপদা পিটিস্নরগী মায়কৈদা এদভোকেট কে ঐচ তরুনকুমারনা লেপখি। অদুগা রেস্পোন্দেন্ট নম্বর ১ দগী ৫ ফাওবগীনা এদিসনেল এদভোকেট জেনরেল লেনিন হিজমনা লেপ্পগা রেস্পোন্দেন্ট নম্বর-৬ কী মায়কৈদনা এদিসনেল সোলিসিটর জেনরেল এস সুরেশনা লেপখি। ঙরাংগী প্রোসিদিংদা রেস্পোন্দেন্টশিংগী মায়কৈদা লেপখিবা এদিসনেল এ জি অমসুং এ এস জিগী মায়কৈদগী গভর্ণমেন্টতগী ইন্সট্রক্সনশিং লৌননবগী মতম পীবীনবা কোর্টতা হায়জরকখিবদগী কোর্টনা পীরদুনা পি আই এল অসিগী মথংগী হিয়রিং মথং থাগী ২৮দা লিষ্ট তৌনবা খঙহনখি।

পনবা য়াবদি, কোর্টনা মমাংদা পীখিবা ওর্দর অমদা মণিপুরদা উমং য়োকখৎনবগীদমক কম্পলসরি এফোরেষ্টেসন ফন্দ মেনেজমেন্ট এন্দ প্লান্নিং ওথোরিটি (কম্পা)না পীরকখিবা লুপা ক্রোর ৩০৯.৭৬কী য়ুটিলাইজেসন রিপোর্ট পীখৎলক্লবা মণিপুর লৈঙাক্কী এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি (ফোরেষ্ট) তা দিরেক্সন পীখিবনি। লোয়ননা থাজবা য়াবা মফমদগী ফংবা পাউনা হায়বদা অতোপ্পা পার্টি অমনসু কেস অসিগী পার্টিঅমা ওইনা য়াওজগে হায়দুনা কোর্টতা হায়জরক্লেহায়রি।

লোকদাউনগী কাঙলোনশিং হেন্না...

লামায় ১গী মখা... মীৎয়েং থম্নবা লেপ্পখি। তোঙান-তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংদসু কোভিদ ক্যের সেন্টরশিং থম্নবা মীফম অদুদা য়াম্না কুপ্পা খন্নখি।

লোকদাউন চথরিবা অসিসু মতাং-মতমগী মতুংইন্না তাঙ্কক নাইনা তঙাইফদবা হীরমশিংদা কোমথোক্লবগী মতাংদসু মীফম অদুদা পুথোকখি। কোভিদ টেষ্ট তৌবগী চাং অসি ৱাংখৎহন্নবা মীফম অদুনা লেপ্পখি। নিংথৌকাবা নুমীৎতা থুংলগদৌরিবা কোভিদ-১৯গী টেষ্টিং মেছিনশিং য়ৌরক্লবা মতুংদা টেষ্টিংগী চাং অসি হেনগৎহন্দুনা ক্বারন্টিন সেন্টরশিংদা লৈরিবা মীওইশিং য়াম্না থুনা টেষ্ট রিজল্ট ফংহন্নবা ৱাফমসু অমত্তা ওইনা য়ানখি। হৌজিক পেন্দিংদা লৈরিবা রিজল্টশিংসু অথুবা মতমদা খঙহনবগা লোয়ননা মখা তাবা থৌরাংশিং পায়খৎনবসু লেপ্পখি। য়ুনাকোদা হাংলিবা কোভিদ ক্যের সেন্টর অসি ফমুং মশীং তঙাইফদবা চাংগী মতুংইন্না হেনগৎহনবগা লোয়ননা লায়েংবগী থবক চথনবসু য়ানখি। রিমসকী ওইনদি হৌজিক লৈরিবা অনাবশিং অসি ফগাৎখ্রবা মতুংদা লাক্কদৌরিবশিংদি জেনিমস অমদি য়ুনাকো সেন্টরদা লায়েংনবা য়ানখি। রিমস অসি মীয়ামগী য়েংলগা জেনরেল হোস্পিটাল ওইনা থম্নবসু মীফম অদুদা কুপ্পা খন্ন-নৈনখি হায়রি।

অমরোমদা, লৈবাক্কী মফম পুম্নমক্তা নুমীদাং পুং ৯দগী অয়ুক পুং ৫ ফাওবা কনাগুম্বা মীওই অমত্তা চৎথোক-চৎশিন তৌহন্দনবা মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফেয়র্সনা ষ্টেট অমদি য়ুনিয়ন টেরিটোরি পুম্নমক্তা খঙহনখ্রে।

য়ুনিয়ন হোম সেক্রেটরি অজয় ভালানা ষ্টেট অমদি য়ুনিয়ন টেরিটোরি পুম্নমক্কী চীফ সেক্রেটরিশিংদা থাখিবা চেরোল অমগী মতুংইন্না অনলোক ১.০ মনুংদা ইসেন্সিএল সর্ভিসকা মরী লৈনবা মীওই নত্তনা অতৈ অতোপ্পা মীওই অমত্তা নুমীদাং পুং ৯দগী অয়ুক পুং ৫ ফাওবা চৎথোক-চৎশিন তৌহল্লোইদবনি। অদুম ওইনমক হায়ৱেশিংদা পেসেঞ্জর পুরগা চেল্লিবা বসশিং অমসুং পোৎচৈ পুবা ট্রকশিংদদি অথিংবা অসি চৎনরোই হায়রি। কনাগুম্বা মীওই অমনা বস, ট্রেন অমদি ফ্লাইট তোংদুনা লাক্লগা ময়ুম তম্না চৎপদসু অথিংবা অসি কোমথোক্কদৌরি।

মোদিগী অনীশুবা লৈঙাক্কী চহী ফারকপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৩ (ঐচ এন এস) : প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা বি জে পি লৈঙাক্কী অনীশুবা টর্মগী চহী ১ মপুং ফাবগী থৌরম অমা ঙসি বি জে পি তেংনৌপল মন্দলনা শীন্দুনা খোপিনোম হোল পল্লেলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ষ্টেট প্রসিদেন্ট এস টিকেন্দ্রনা অথোইবা মীথুংলেন ওইখি। বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ভাইস প্রসিদেন্ট বেঞ্জামিন মাতেনা থৌরম মপু, বি জে পি নেসনল মহিলা মোর্চাগী ভাইস প্রসিদেন্ট সর্দা অমদি বি জে পি নেসনল কাউন্সীল মেম্বর য়াংলেট হাওকিপনা অখন্নবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি। এ দি সী চান্দেলগী মেম্বরশিং অমদি বি জে পিগী শরুক ইরবা থৌমী কয়াসু শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট এস টিকেন্দ্রনা হায়খি, বি জে পিবু হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহনবা অমদি অফবা পার্টি অমা ওইহনবা হায়বসি ৱার্কর খূদিংমক্কী থৌদাংনি। বি জে পিগী মরমদা অমদি লৈঙাক্লা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং মীয়ামদা খঙহনবা মথৌ তাই হায়নসু মখা তাখি।

মৈনা চিংবদগী শিরে

ইম্ফাল, জুন ১৩ (ঐচ এন এস) : অরোং নোংমাইখোং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা থোঙাম মোন্দুম মহাদেব লাইমাং লৈকায়দা নুপা অমা তুলু শীজিন্নদুনা গাড়ী চাম্বদা ইলেক্ট্রিকনা চিংবদগী লায়কন্নবা ঙমদনা শিরে। থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা নুপা অদুগী মমিং নিংথৌজম মিখু এলিয়স শান্তিপুর (৫৬), অপোকপা এন জয়ন্তকুমার কৌই। মহাক থোঙাম মোন্দুম মহাদেব মমাঙ লৈকায়দা লৈবনি। থা অসিগী ১১গী নুংথিলদা মহাক্লা তুলু শীজিন্নরগা গাড়ী চাম্বদা খঙহৌদনা ইলেক্ট্রিকনা চিংবদগী লায়কন্নবা ঙমদনা লৈখিদবনি হায়রি।

সী পি আই অমসুং সী পি এমনা এম ঐচ...

লামায় ১গী মখা... থীবগী থবকশিং অমুক হন্না পাঙথোক্লবা ‘রিকাউন্ট ওফ দি হেদস’ তৌনবা পি আই এল অদুগী রেস্পোন্দেন্টশিংদা দিরেক্সন পীখি। দিষ্ট্রিক্ট অহুম অসিগী সব-দিভিজন মাপনদা অমুক হন্না মীকোক মশীং থীবগী থবক পাঙথোক্লবা মতুংদা অনৌবা সেন্সস রিপোর্ট ওফ ইন্দিয়া- ২০০১ ফোঙননবসু খঙহনখি হায়রি। লোয়ননা সেন্সস রিপোর্ট অসিদা য়ূম্ফম ওইদুনা দিলিমিটেসন কম্মিসননা দিলিমিটেসন এক্ট, ২০০২গী সেক্সন- ৮ অমসুং ৯গী মখাদা মণিপুরগী সীট মশীং রি-এদজষ্ট তৌবা অমসুং কন্সটিট্যুয়েন্সিশিং দিলিমিটেসন তৌবা য়ারোই হায়দুনসু খঙহনখি হায়রি।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়বদা, গৌহাটি হায় কোর্ট (ইম্ফাল বেঞ্চ)কী দিভিজন বেঞ্চনা পীখিবা রুল্লিং অসিবু প্রাইভেট পার্টি খরনা সুপ্রিম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াদা স্পেসল লীভ পিটিসন (সিভিল) নম্বর- ১১৮১৩ ওফ ২০০৭ ফাইল তৌদুনা চেলেঞ্জ তৌখিবসু লৈখি হায়রি।

অদুবু মরম চাদবা মওংদা মণিপুরগী চীংগী দিষ্ট্রিক্ট অহুমগী সব-দিভিজনশিং অসিদা মীশীংগী চাং খংহেন হেনগৎলম্বা অসিদগী সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা কুমজা ২০০৮গী ফেব্রুৱারী ৮দা গেজেট ওফ ইন্দিয়াদা ফোঙখিবা নোটিফিকেসন অমগী মতুংইন্না মখা তাবা ওর্দর অমা থোরক্ত্রিবা ফাওবা সেন্সস রিপোর্ট-২০০১দা য়ূম্ফম ওইদুনা মণিপুরগী কন্সটিট্যুয়েন্সিশিং দিলিমিটেসন তৌবগী থবক পাঙথোক্তনবা খঙহনখি হায়রি।

মরমশিং অসিনা কন্টেমপ্ট কেস অসিনা হায় কোর্টতা ৱাকৎলিবনা দল্লিয়ু পি (পি আই এল) নম্বর- ১৬ ওফ ২০০৫গী মতাংদা কোর্টনা পীখিবা দিরেক্সনশিং অদু কন্টেম্নর (রেস্পোন্দেন্ট)শিংনা থবক ওইনা পাঙথোক্ত্রে হায়বসিনি।

সী পি আই অমসুং সী পি এমগী কন্টেমপ্ট কেস অসি হায় কোর্টকী রেজিষ্ট্রিনা লৌশিনখিবগা লোয়ননা কন্টেমপ্ট কেস (সিভিল) নম্বর-৫৪ ওফ ২০২০ ওইনা রেজিষ্ট্রার তৌখ্রে। লোয়ননা কেস অসি কোর্টনা লৌখৎতুনা খন্নগদ্রা নৎত্রগা খন্নরোইদ্রা হায়বা ‘মেন্টেনেবিলিটি’গী মতাংদা খন্ননবগীদমক লাক্লিবা নিংথৌকাবা (জুন ১৫, ২০২০)দা চীফ জষ্টিস রামালিঙ্গম সুধাকর অমসুং জষ্টিস অহন্থেম বিমোলগী দিভিজন বেঞ্চকী আইটেম নম্বর-১দা লিষ্ট তৌখ্রে।

কেস অসিদা পিটিস্নরশিংগী মায়কৈদা সিনিয়র কাউন্সেল মাইবম হেমচন্দ্রনা লুচিংলগা এদভোকেট অজয় পেবম, এম দেবানন্দা অমসুং কে ঐচ তরুনকুমারনা লেপকদৌরি।

পনবা য়াবদি, সী পি আই অমসুং সী পি এমনা কন্টেমপ্ট পিটিসন অসি হায় কোর্টতা থা অসিগী ১০দা ফাইল তৌদ্রিঙৈগী মাঙওইননা থা অসিগী ৮দা কেস অসিগী কন্টেম্নর (রেস্পোন্দেন্ট) তরুক্তসু লিগেল নোটিসশিং থাখিবগা লোয়ননা দিলিমিটেসন কম্মিসনগী চ্যেরপর্সন জষ্টিস (রিটয়র্দ) রঞ্জনা প্রকাশ দেশাইদসু কোপী অমা য়ৌহনখ্রবনি।

অমরোমদা, মণিপুর য়াওনা ষ্টেট ৫গী দিলিমিটেসন তৌরগনি হায়বগী গেজেট নোটিফিকেসন হৌখিবা ফেব্রুৱারী ২৮দা থোকখিবনি। দিলিমিটেসন কম্মিসননা মার্চ ৬, ২০২০দা কন্সটিট্যুট তৌখিবনি।

ফ্লাইট মরিদা পেসেঞ্জর ৬১৬ পুশিল্লকখ্রে...

লামায় ১গী মখা... পুরকখি। অয়ূক্কী পুং ১০.১৪ রোম তাবদা ফ্লাইট অসিনা অমুক হনখিবদা পেসেঞ্জর নুপা অমদি নুপী পূন্না ১১৭ পুরগা দিল্লিগীদমক ইম্ফাল অমুক থাদোকখি।

অনীশুবা (এয়র এসিয়া আই ৫- ৭৮৩) ফ্লাইট অসিনা অয়ূক্কী পুং ১০.৩৭ রোম তাবদা দিল্লিদগী গুৱাহাটি ফাওরগা ইম্ফালগী এয়রপোর্টতা অঙাং অনী য়াওনা পূন্না পেসেঞ্জর ১৫০ রোম পুরকখি। ফ্লাইট অসিনা অয়ূক্কী পুং ১১.১৮ রোম তাবদা ইম্ফালদগী পেসেঞ্জর ৫৭ অমুক পুরগা দিল্লিগীদমক ইম্ফাল থাদোকখি। ঙসি নুমীৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.৩১ রোম তাবদা (ইন্দিগো ৬ ঈ- ৭০৭) ফ্লাইট অসি অঙাং অহুম য়াওনা পূন্না পেসেঞ্জর ১৮০ রোম পুরগা কোলকাটাদগী ইম্ফালগী এয়রপোর্টতা থুংলখি।

ফ্লাইট অসিনা নুংথিলগী পুং ১.৩৪ রোম তাবদা অমুক ইম্ফালদগী পেসেঞ্জর ১৭৭ রোম পুরগা কোলকাটাগীদমক অমুক ইম্ফাল থাদোকখি। ঙসি নুমীৎয়ুংবা মতুং পুং ১২.৫০ রোম তাবদা (ইন্দিগো ৬ ঈ- ৬৫৩৮) ফ্লাইট অসিনা অঙাং অনী য়াওনা পূন্না পেসেঞ্জর ১২০ রোম পুরগা গুৱাহাটিদগী ইম্ফালদা থুংলখি। নুংথিলগী পুং ১.৪৬ রোম তাবদা ফ্লাইট অসিনা অমুক হনখিবদা পেসেঞ্জর নুপা অমদি নুপী পূন্না ২৫ রোম পুরগা গুৱাহাটিগীদমক অমুক ইম্ফাল থাদোকখি। ঙসি ইম্ফালদগী দিল্লি, কোলকাটা অমদি গুৱাহাটিনচিংবা চৎখিবা অপূনবা পেসেঞ্জর ৩৭৮ রোমনি।

ইম্ফালগী এয়রপোর্টতা মণিপুরদগী মপান লমদা চৎখিবা পেসেঞ্জরশিংনা পুরকপা লগেজ, সুইটকেসনচিংবা লোয়না কোভিদ-১৯ লাইচৎ অসি ঙাকথোক্লবা এয়রপোর্টতা মথৌ তৌরিবা ফিল্ড ষ্টাফশিংনা হেন্দ সেনিটাইজ স্প্রেনা কাপশিল্লবা মতুংদা এয়রপোর্টকী রুমদা সিক্যুরিটিনা চ্যেক হান্না তৌরগা চঙহনখি। অদুগা মপান লমদগী মণিপুরদা থুংলখিবা পেসেঞ্জরশিংসু ডোক্তরনা থর্মেল স্কেনিং হান্না তৌরবা মতুংদা মপানদা থোকহনখি। লাক্লিবা পেসেঞ্জরশিং অদু এয়রপোর্টতা লৈরিবা পুলিস পর্সনেলশিংনা মণিপুর ষ্টেট ট্রান্সপোর্টকী বসতা সোসল দিষ্টেন্সিংদা ফমহন্দুনা ঘড়ীদা লৈবা ঐচ আর দি একাদেমিদা পুরগা থন্মী। অদুগা মফম অদুদগী অমুক মীয়াম অদু মাগী-মাগী দিষ্ট্রিক্টকী মরী লৈনবা ওথোরিটিনা অমুক পুরগা মখোয়গী ক্বারন্টিন সেন্টরদা অমুক পুনখি। অদুগা ফ্লাইটতা লাকপদা য়াওরকপা অসাম রাইফলস অমদি আর্মিশিংনা আর্মিগী ক্বারন্টিন সেন্টরদা তৌনবা মখোয়গী মীশিংনা লৌবা লাক্লখি।

মরকসিদা, হৌখিবা মে ২৫দগীনা ঙসি ফাওবগী মনুংদা মণিপুরদা ফ্লাইটতা চঙলকখিবা মীওই অসি পূন্না ৮৬৭১ রোম শুখ্রে।